# মসিসু ঈরাৎ-পুজা (ৱোর্সিপ) মখল অমনি

‘লাই’ হায়বসি করিনো? লাইগী মরমদা খলহল্লকপা অমদি খঙহল্লকপসি ‘লাইরিক’ ননি। অদুবু লাই খুরুম্বা তন্বীরকখিবদি ‘ইমা’ননি। তাইবঙপান অসি উদ্রিঙৈ, লাইরিক মশক খঙদ্রিঙৈ ইমানা ইহান হান্না তাকপীরকখি - তাইবঙপাল অসি শেন্বা মপু অমা লৈ ... মহাক অদু ঈশ্বর (লাই) কৌই ... মহাক্না খুরুম্লিবসি মঙোন্দনি। অদুবু, মহাক্না অয়ূক খুদিং নিংথিনা ইরুজথোক্লগা ঈশিং অমদি হৈ-লৈ কত্তুনা খুরুম্লিবদি নুমিৎলোমদা ওল্লগনি। অদুনা, নৌরিবা কোক অদুদা ইহান হান্না চঙখিবা ৱাখল অসি ‘লাই হায়বসি নুমিৎনি’ হায়বসিনি। নুমিৎ খুরুম্বা লোইরগা, শুমাঙদা (তুলসি-পূংদা) অমুক খুরুম্বা উরকখিবদুনা অমুক চমন্নহনখি - লাই অনী শুবরা ? অমা খুরুম্বা লোইরগা অম’মুক খুরুম্লিবা করিগীনো? অদুদদি ইমানা, মানা খুরুম্লিবদু ‘বৃন্দা দেবী’ দনি হায়রকখি। বৃন্দা দেবী কনানো? অদুমদি ইমানা ময়েক শেংনা তাক্লকখিদে। ঐনসু মুন্না হংখিদে। তপ্তাগী ৱারী, হনুবা-হনুবীনা পান থাবগী ৱারী অমদি অদুঙৈ ইমাশিংনা ফৌসু-লঙনবদা শুক্কী মতোন্না থিনবদগী অতিয়াসি ৱাংখৎখিবনি হায়বই ৱারীনা হেন্না তানীংখি।

মদুগী তুং, কাইনথংদা লাইরিক্তগী খঙলকপনি - লাই হায়বসি অমত্তনি, মফম পুম্নমক্তা লৈ (গোদ ইজ ৱান এন্দ ওমনিপ্রজেন্ট) হায়জরগসু, মফম খুদিংমক্তা তোঙান তোঙানবা, মান্নদবা লাই লাৎলি। মানা মানা থাজজবা লাইদুনা খ্বাইদই চাউবা লাইনি থাজনৈ। অমনা অমবু থাজনদে। থাজবা হায়বসি খঙদবনি, খঙদবদুনা থাজবা অমসুং থাজদবা অনী থোক্লকপনি হায়বসি অয়াম্বা মীওইবনা য়ানীংদে। খঙদবদুনবু মান্নদবা লাইনীং-লম্বী ময়াম অমা শেন্নল্লিবনি। ইজগে খঞ্জরুবা হীরমসি ‘লাই’ নৎত্রগা ‘লাইনীং-লম্বী’ গী মরমদা নত্তে, অকক্নবা রিলিজন অমত্তগী মমিং পন্দুনা ইজরোই। অদুবু ‘ঈরাৎপা/খুরুম্বা’ (ৱোর্সিপ) হায়বসিগী মতাংদদি করিগুম্বা খরা ইনীংলুই, ইগে হোৎনজরিবসি মদুনি, ‘লাই খুরুম্ব’দু নত্তে। মন্দিরদা, চর্চ’তা, নৎত্রগা, মসজিদ’তা কনাগুম্বা মীওই কাঙলূপ খরনা, মানা মানা থাজজবা কনাগুম্বা অমগী মিং পন্দুনা/মাগী গুন শক-শোন্দুনা, মাগী মফমদা কোক নোনবা অদুখক্তনা (লাই) খুরুম্বা নত্তে। কনাগুম্বা/করিগুম্বা অমগী মফমদা কোক নোনবা (খুরুম্বা) হায়বসি মীওইবগী অঙকপা থৌওং অমনি। খুরুম্বা (ৱোর্সিপ) হায়বসি ইচম চম্না কোক নোনবা, চঙজবা নত্তে। অঙকপা থাজবা, কথোকপা অমগা ঈরোইনবা, মশানা মশাবু কাউথোকচদুনা থৱায় হকচাং অনীমক চঙজবগী থৌওং অমনি। বৃটিশ মচা, অমেরিকান সিটিজেন (হিষ্টোরিয়ন অমদি ফিলোজোফর) ‘জেরল্ড হর্দ’কী লাইরিক ‘দ ফাইব এজেস ওফ মেন’ (মীওইবগী যুগ/চক মঙা) হায়বা লাইরিক্তুদা ঈরাৎপা/ৱোর্সিপ/পুজা হায়বসি অসুম্না মশক তাকই ... 'a mixture of profound awe and overwhelming, self-forgetful delight which is the true catharsis and deliverance of the soul'...।

ঈশ্বর/লাই/গোদ হায়বসিগী কন্সেপ্ট পুথোক্ত্রিঙৈ, শা-ঙাগুম হিংলম্বদগী মথংগী থাক্তা লানশিল্লকপা, নুমিদাংগী মতমদা অতিয়া মকোয়থক্তা তগুপ-তরং ঙাল্লিবা থৱাম্মীচাকশিংগী ফজবা খঙলকপা, নুমিদাংৱাইরমগী অতিয়া মৈরীগী মশক ওইরক্লিবা করিগী - ঙক্না য়েংবা হৌরকপা ... অঙকপনা থল্লবা মালেম অমদি তাইবঙপানসি ঙকচাননা য়েংলমগনি... ‘করিনো’ সিদি’ ... হংলমগনি। নেচরেলিষ্টশিংনা হায় ... ‘আ-মথায় তায়না মমাঙঙৈ, শুক্র-মন্ন’-উমংগী শুরুং-মনুং অদুদা মীওইবনা শাগী শক্তম য়েকপা হৌরকপা মতম অদুদগী হৌরে মীওইবনা শকউদবা কনাগুম্বা অমগী অঙকপা খূৎশেম অমা লৈ, অমদি শেন্বীবা অমা য়াওদনা করিগুম্বা অমত্তা মথন্তা ওইজরক্তে হায়বা খঙলকখিবা’ ...। নুমিৎ, থা, থৱাম্মীচাক, মালেম করম্না ওইরকখিবা... উপাল-ৱাপাল-হৈপাল-লৈপাল-থৱায় পানবা-পান্দবশিং কনানবু শেন্লিগবা... অমম-অঙান খায়রিবা, অঙৗং-অশা নাইরিবনা করিগী... পোকপা-শিবা করিনো... অসিনচিংবা ৱাহংগী পাউখুম থিবদা থোক্লকই - ‘মহৌশা (নেচর) হায়বসি কনাগুম্বা অমগী খূৎশেম ওইরম্লবা, মঙোন্দই হেন্না খূৎশেম-হৈবা (ক্রিয়েটর) অমা লৈতে’।

নোংমা বেঙ্গলোরদা, ‘নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেন্টেল হেল্থ এন্দ নিউরো সাইন্সেস’ (নিমহান্স) কী মমিং চৎলবা সর্জন অমগীদা ‘লঞ্চ’ অমা চামিন্নখি, মফমদুদা খুন্দাখ্রবা বেঙ্গোলি ফ্রেন্দ অমগা লোয়ননা। মাগী দ্রোইং-রুমদুদা লৈশক-খঙদবা লৈ অমগী ফজখ্রবা ফোটো অমা থেৎলম্মী - নুংফাউননা উবা (ত্রান্সপরেন্ট ওইবা) ঙাঙলৈনবা লৈনাশিংদু মুন্না-নক্না য়েংশিল্লুবদা উরকই ...‘লৈয়োন্দুদা সনা-ঈরীক ময়ামগী খোনি অমা লোৎশিলবগুম’...। লৈদুগী বোটানিকল-নেম নৎত্রগা কম্মন ওইনা খঙনবা মমিংদুসু ইরমদে, নাল্লবা খূৎনা ‘ৱিল্লিয়ম ব্লেক’ গী শৈরেং মতেক অমা ইরম্মী ... ‘টু সী এ ৱর্ল্ড ইন এ গ্রেইন ওফ সেন্দ/এন্দ এ হেভন ইন এ ৱাইল্ড ফ্লৱর/হোল্ড ইনফিনিটি ইন দ পাল্ম ওফ য়োর হেন্দ/এন্দ ইটর্নিটি ইন এন আৱর’...।

মেদিকল সর্জন অমগী থম্মোয়দুদা থোৎলবা লৈরাং অমগী মফম অদুক চাউনা লৈরমগনি থাজখিদে। হ্বাট এ সরপ্রাইজ! ঙক্না হায়রুই, ‘আই কান্ট বিলিভ, এ ডোক্টর ৱিথ সো মচ ওফ পোইত্রি ইন হিম’।

মহাক্না ৱারী লীরকখি - মহাক্কী পূক্লিং-ৱাখল হোংহনখিবা, ব্রেন ট্যুমর নারবা নহা-পাখঙ অমগী কোক খায়দুনা তৌখিবা ওপরেসন (সর্জরি) অমগী মতুংদনি। হিংলিবা মীশক অমগী অহিংবা-ব্রেন, মমীৎমক্না উখিবদু নুমিত্তুনা অহানবনি। মহাক্না হায়, ‘কল্লবা কোক্কী শরূনা য়োমশিল্লবা মীওইবগী থোপ (ব্রেন) অদু উরুবা, মেদিকল ষ্টুদেন্ট ওইরিঙৈ তম্লকখিবা মীওইবগী হকচাং কয়াৎ (ইন্দ্রিয়) শিংগী মথৌ, শিংলি-নাউরিশিংগী মতেংনা ব্রেন’না কন্ত্রোল তৌরিবদু নীংশিংলুবা... তাইবঙপাল (য়ুনিভর্স) অসি উরুবগুম খল্লকখি, শকউদবা কনাগুম্বা অমগী মফমদা ইশা-পূম্বা কথোক্লগা খুরুমনীংবা অমা ফাওরকখি ... ঙসিসু ঐ অকক্নবা রিলিজন অমগী দোকত্রিন/ধর্ম্মগী পাউজেল অমত্তদা হকচিনবা-থাজবা থমদে... অদুবু, মাইক্রোস্কোপকী মতেংনা মীওইবগী হকচাং কয়াৎকী কাথুপ (সেল) অমা য়েংলুবা নৎত্রগা ফজবা লৈ অমা য়েংলুবা, খঙবা ঙমদবা অঙকপা অমা লোৎলম্মি, শকখঙদবা কনাগুম্বা অমদা কোক নোন্নিঙলকই’...।

থম্মোয়নুংদা কনাগুম্বা অমবু ঈরাৎপা, মহাক্তবু নীংজবা - মতম চূপ্পদা শকউদবা মহাকখক্তা ওইগদবা নত্তে। ওইবা য়াই ঐনা/নঙনা নুংশিজবা কনাগুম্বা অমসু ... ইমা! ইপা! ইপু! ইবেন! নৎত্রগা, ঐগী/নঙগী পুন্সি খোঙলোয়!

রবিন্দ্রনাথ ঠাকুর’না ‘মাগী পুন্সিদা থুংলখিবা মীথুং (অতিথী) বু অসুম্না শৈথাই... ‘নহাক্না থুংলখিবা নোংমা নোংঙাল্লমদাইদা/নোংমসু থুংলখি নোংয়াই চবুক লোনবদা/নঙগী নমিং তাক্লকখি য়েন্নিংথাগী লৈরাংনা/নোংজু থাগী নোংহৌনা/পুন্সি-বিনা খূৎশিন্নরমখি নহাক্না, পুন্সি থাওমৈ চূখৎলম্মী ঐহাক্কী...নঙনা চৎখ্র’ তুংদদি, থম্মোয়সিদা তারম্মী/মপু মাগী খোঙ্গুল মমি/খোঙচৎসিগী অরোইবা/পূংফম অদু য়ৌরক্লে/লৈরাং খুজোক কৎচগে/নখুয়াদা চঙজগে...’। কয়াদা ৱাংখ্রবা ফিদমনো!

‘চাকখাওগী কেন্সর লায়না’না নাদুনা শিরমদাই মীকূপ য়ৌরকপদা কবি ‘ব্রেদফোর্দ স্মিথ’না মীকূপ্তুবু তরাম্না ওক্লদুনা ইরম্মী ... ‘হে ঈশ্বর! কয়াদা নীংথিজবা নঙালনা তাইবঙপালসিবু ঙালহনবীরম্বা/কয়াদা থোৎন-মেঙনা-ঈংনা ঙালহনবীরম্বা থম্মোয়সিবু’...। চহী ৫৪ খক পুন্সিখিবা, পুন্সিগী অরোইবা মীকূপশিং জাপানিজ বুদ্ধিষ্টশিংগী মরক্তা লেনখিবা স্মিথকী মরূপ মপাংশিংনা হায় ... ‘কেন্সরনা নারে খঙলকপা মীকূপ অদুদগী অরোইবা মীকূপ অদুফাওবা, স্মিথ’না পুন্সিগী মীকূপ খুদিংমক অৱাবা মশক খঙদনা নুংঙাইবদুখক্তংগা হকথেংননা লেনখি, পুন্সিবু ঈরাৎ-পুজা তৌদুনা’...।

অদুদি, অমুক্তং খন্থমিন্নসি - কনাবুনো ঈরাৎকদবা?

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

---

**ৱারী ককনাউ**

# ওনলাইন লভ

“হেল্লো ... হেল্লো মিস তাবিরব্রা?”

“কনা ওইবিরবনো সিবো? নম্বরদু অমুক্তা চ্যেক তৌবীয়ু”

“ঐ কুলবিনে, কুলবি, নম্বরদি চুম্বা মাল্লি, মিসনা পীবিরকপা নম্বরদুনি”

“ঐনা কাইদা পীরিবা, কৈনোনে হায়রিসিবো?”

“ঐ নুংতিগী মিসকী ওনলাইন ক্লাস য়াওজৈ”

“হা! করি হায়বা ঐগী ক্লাস য়াওই হায়বা, হা হা হা সোম্বু কনানো?”

“য়াওজৈয়ে মিস ঐদি মিসনা ক্লাস লৌবদো তাবা য়াম নুংঙাই”

“সোমবু কোক চাকপ্রো?”

“অশেংবনি মিস ঐগী কোকসে চাক্লে, মিসকী খোঞ্জেলসি তাদুনতা লৈরে, মসিবু ঐগী নাকোংনরা নৎত্রগা ঐগী কোক্নরা খঙদ্রে”

“ইহ!! সিদি টাইপ অমনিনা, সোমগীসি ঐবু উশিৎতবা মওং অমা তৌরক্লে, নঙ কনানো?”

“মিসকীসি শাউদৌ মাল্লি, অমুক্তা শাউবীয়ু, ঐ মিসনা অঙাংশিংদা ক্লাস লৌবদা পকচবা অদুম্না শাউবদসু পকচবরা অমুক্তা য়েংজগে, অমুক্তা শাউবীয়ু”

“হে ষ্টুপিদ!! থম্মো নৎত্রদি খুদোং চারোই”

“খুদোংদি ঐনা হেন্না চাদে, ঐনা মিসতা ফোন তৌজরক্লিসি, য়াম্না লোন্না কাং মরক্তা অহিংসিদা মপান থোক্লগা অঙৗংবা খাঙলগা তৌরক্লিনি নিংথমথাসিদা।”

“ওকে সোম কনানো অমুক্তা হায়বীয়ু”

“ঐগী অঙাং অমা মিসকী ক্লাসতা য়াওই, মাগী ওনলাইন ক্লাসতু ঐগী ফোনদগী থাজরিনি। ঐ ক্লাস লোইবা ফাওবা ইচাগা অদুম মিসকী ক্লাস য়াওমিন্নে। নম্বরসি নহান নোংমা ঐনা ইচানুপীগী মিসনি হায়দুদা করিগুম্বা হংনীংবা লৈরদি হংজরক্নবা হায়দুনা মিসতগী লৌজহৌবদুনি। ঐ পূক্লিংসি ফাথবা ঙমদ্রে। ঐ ইকায় ইকি থাদোক্লগা মিসতা ফোন তৌজরক্লিসিনি”

“ওকে, সোমনা পাম্বীরিসি করিনো?”

“ওনলাইন লভ...”

ঙসিগী হীদাক্তি চাবিরব্রা?”

“করি হীদাক, ওনলাইন সাইকিয়াত্রিক লভকী হীদাক”

“ঐগীসিদি হীদাক চারগা ফরোইয়ে মিস, মিসনা ৱাহে অমতং হায়বীরগা ফগদবনি”

“করি ৱাহে?”

“ওনলাইন নুংশি ৱাহে”

“উনরোইদবা নৎত্রো?”

“ফোন্দবু কমাইনা উনদুইনোদা মিস, মিসতি হীদাক্না অমত্তা চাবিদ্রমাল্লেবো?”

“ঐদি করি হীদাক চাদুইবা?”

“মীগী অৱাবা খঙবীদবগী”

“সিদি য়াম্না নুংঙাইরিনে তৌরিসিদি। ঐননে ঙসি ঈ কারক্তনা থোক...”

“থোক কৈদৌদুইবা?”

“থোক নুংশিসল্লক্লদি শোইননিকো”

“ইহ! অদুদি ফৈনে, ঐসু নুপী কাইনখিবগী অৱাবসি কোকচনবা”

“কমাইনা কাইনখিবনো?”

“ৱারী য়াম্না লৈ। ঐসে ওফিসরনি। থাগী তোলোপ লাখ অমা খরা হেন্না চাই। নহানৱাইদি ঐগী নুপী লৈরিঙৈদা তোলোপসি লৌশিনবীনবা লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি মহাক লৈখিদ্রবা মতুংসিদা তোলোপ লৌশিনবীনবা লৈতবদগী বেঙ্কতা সুম লেঙদনা লৈরে, লৌথোক্ত্রে, ফনা য়াম্মমনি। ফৌ হায়রা চহী অনী/অহুম কোন্ননবা ফৌ কোত্তা লৈবনিনা থোইনা শেলগী মথৌ তাদে।”

“ইনম্মদুদি কমাইনা লৈখিদবা?”

তাঞ্জাসিদা কুলবিগী নুপীনা মাগী নুপা ফমুংদা লৈরমদ্রে হায়না মপান্দা থোক্লগা থিরকই। মাগী নুপানা লোন্না মনিংথোঙলোমদা কনানো অমগা চেকশিন্না ৱারী শানবদু তাবদগী তুমিন চঙলক্লগা মনাক নক্না তারৈ। মদু কুলবিনদি খঙপোত্তে। নুংদাংগা ওইবনা ফোন্দা হায়রকপদু মসোন মরাং ওইনা কাবক-কাবক তাবা ফংই।

“ৱারীসে য়াম্না নুংঙাইতবা ৱারীনি। নোংমা ঐখোয় ইচাগা পূন্না চীংয়া অমদা পিকনিক অমা চৎপনি। চীংয়াগী ফজবা সুম য়েংলিঙৈদা মফম মরাং খঙদবা নোংমৈ গুলি অমনা মাগী মকোক্তা পানখিবদগী পুমচাই চাইরগা লৈখিদবনি খুদক্তা”

কুলবিগী নুপীদু শ্বাই লাউই। হিংলিবা মাবু নোংমৈনা পান্দুনা শিখ্রে হায়না হায়বীবদু মাগী থম্মোয়দা তাশোন্না কন্না থিনবগুম নুংঙাইতে। অদুবু মখা করি হায়নরিগে তাগদবগী তুমিন অশাওবা ফাথদুনা তারি ।

“অশ! অদুদি য়াম চাকপা ৱারীনিনা, য়াম নুংঙাইতে”

“মিস ঐগী তোলোপসি নঙনা অমুক্তা লৌশিনবীয়ু প্লিজ, ঐ কপ্পীসি খঙদ্রা, (কপশিন্নে) হিক...হিক...”

“পেন্দমিক লৈবদগী স্কুলগা হাংদদুনা হৈক্রু মনাগী তোলোপ নিংথি-নুংঙাইনা ফংদদুনা খুবি চিকখৈ খাংলিসিদা, ঐননে থোক...”

“থোক নুংশিনরসে মিস, ঐগী শিখ্রবা নুপীগী অহাঙবা মফমসে নহাক্না অমুক্তা মেনশিনবীয়ু”

হন্দক্তি কুলবীগী নুপীদু তাবা ঙমদ্রে। কুলবীগী মনঙ্গন্দা পোপ লাউনা থারগা লাউথরকই,

“করি ঐবু নোংমৈনা পান্দুনা শিখ্রে গাইনা, কনাদনো নঙনা অহিংসিদা ৱারী চিকথনরম্মীসে। হা... কনানো? কনানো হায়বা? ঙসিদি মেন তানা ৱা ঙাঙনথোকসি, ইস! ওফিসরনি, থাদা লাখ অমা খরা হেন্না তোলোপ চাই গাইনা। চেক শূবা নঙনা ওফিসর গাইনা।”

“কৈনোহে, শেরান তুরান চংঙো চো, ইমান্নবা অমগা চুম্না ফাগি তৌনদুনা ৱারী শানবনি”

অসোমদা মিসতু ইঙক ঙক্লে,

“হেল্লো, হেল্লো, ওনলাইন লভ, হেল্লো” ফোনদু মুথৎত্রিঙৈদুদা ‘হেল্লো হেল্লো’ হায়না লাউরগা লৈবদু কুলবিনা পুৎ লাউনা মুথৎখি।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

---

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY RESIDENT COMMISSIONER,**
**MANIPUR BHAWAN, KOLKATA**

**/ NOTICE FOR INVITING TENDER**

**Kolkata, the 17th December, 2020**

No. JRC/CAL/CAN(Pt-I)/2014/71: The opening of Tender for engagement of catering service at Manipur Bhawan, Kolkata which was scheduled on 15th December, 2020 was differed on technical ground and re-fixed on 7th February, 2021.

Therefore, all the interested firms are invited to submit bidding documents (Technical Bid and Financial Bid along with EMD) duly filled up as per instructions in the Tender Document already prescribed by this office and should be submitted via email **manipurbhawan98@gamil.com** or physically on or before 6th February. 2021, 5 p.m.

The EMD **of Rs. 10,000/-** (Rupees ten thousand only) in the form of Demand Draft is required to be submitted in a sealed envelope super-scribed with **"Engagement of Private Partner for providing Catering Services at Manipur Bhawan, 26, Rowland Road, Kolkata, on Contract basis"** on or before the closing date and time of submission of bids to the **Office of Deputy Resident Commissioner, Manipur Bhawan, 26, Rowland Road, Kolkata.**

Tender Documents may be downloaded from **manipurgad.gov.in**

**The Bids shall be opened on the next working day following the last date for bid submission at 1 p.m. at the Office of Deputy Resident Commissioner, Manipur Bhawan, 26, Rowland Road, Kolkata by the Committee authorized by the Competent Authority** in the presence of such bidders who may wish to be present. The financial bids of only those bidders shall be considered by the Committee whose Technical Bids are accepted by them as per norms specified in this document.

The Competent Authority reserves the right to reject any or all the bids without assigning any reason and the decision of the Competent Authority shall be final and binding on all.

Sd/- **G.S. Joyrita**
Deputy Resident Commissioner,
Manipur Bhawan, Kolkata

HL-P/8285/18&20

**The Johnstone Higher Secondary School 1964**
**Matric Batch Welfare Association**
Regd. No. 2671 of 1992-93
**FOUNDATION DAY CELEBRATION**
**&**
**28TH ANNUAL GENERAL BODY MEETING, 2020**
**on 20th December, 2020**

লৈখিদ্রবা গুরু চিঙ্গাংবম কালাচাঁন্দ শাস্ত্রী অমসুং মেম্বর মরুপ-মপাংশিংগী মফমদা চহীগী নীংশিং খুদোল তমজবগা লোয়ননা ইকাইখুম্নবা উৎচরি।



পণ্ডিত কালাচাঁন্দ শাস্ত্রী



Radhe Shyam Gupta
Expired on 7/2/97



Dr. H. Haldhara Sharma
Expired on 6/7/97



Basanta Kumar Wangkhem
Expired on 26/1/01



Prakash Chand Jain
Expired on 20/9/01



P. Sochin Bose Singh
Expired on 26/6/08



Dr. N. Shyamsunder Singh
Expired on 20/4/12



S. Thambal
Expired on 11/10/14



W. Rajendra
Expired on 5/12/15



Rajendra Kumar Jain
Expired on 25/5/18



L. Pishak Singh
Expired on 4/11/18

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR:IMPHAL
ADMISSION NOTICE/63
Dated, the 18th December, 2020

No.MU/3-21/HRDE/PG-Dip/Aca/13: In continuation of the Admission Notice No. 26 dated, the 1st October, 2020, the last date for submission of online application form for admission into Six Months Certificate Course on Human Rights & Duties Education for the academic session 2020-21 has been extended upto 31st December, 2020.

*Eligibility:*

Matriculation or 10+2 level examination, preference will be given to candidates having higher academic qualifications.

Application can be applied online at the Manipur University website www.manipuruniv.ac.in. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC candidates and Rs. 200/- for ST/SC candidates are to be paid online.

Sd/- S. Buddhabati Devi
Assistant Registrar/Aca

HL-B/6637/20

**/ JOB IN IMPHAL**

Imphal amasung Manipurgi tongan-tonganba maphamsinggi oigadaba official post singidamak meeoi (Male/Female) 65 gi thabak koujari.

| | | |
|---|---|---|
| Qualification | : | X, XII, Graduate |
| Age | : | Below 35 yrs. |
| Income | : | Rs. 10,000/- to 37,000/- (P.M) |
| Facility | : | Fooding + Lodging available |
| Visiting Hour | : | 12 noon to 3 pm. |

Deposit leiroi. Interested oiba meeoisingna athuba matamda ishagi Biodata ga loinana tanabiu.

HL-P/8278/17,20,22,24 **Contact : 9774986962, 8837369704**

/লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

*উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং*

*(অঙৌবা পকপা)*
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

*(তাং-তাং চিকপা)*
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

*(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)*
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

*(নুংশং)*
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

*(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)*
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

*নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু*

*(নুপাগী প্রোব্লেম)*
ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

*(নুপীগী প্রোব্লেম)*
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

*(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)*
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

*(শমগী প্রোব্লেম)*
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.**

HL-B/6498/03/11-02/12

**TRANSLATING**
**DRAFTING & EDITING**
**AT**
**WONDER WORD WEAVER**

1. Translating works in Manipuri into English.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing project-works for students.
4. Editing articles for newspaper, magazines, press, etc.
5. Drafting applications or representations.
6. Editing applications or representations.

*Authors, writers, journalists, reporters, research scholars and students can avail the above services at affordable prices.

**For details please contact :**
**WONDER WORD WEAVER**
**8974642764**
**Or write to :**
**wonderwordweaver@gmail.com**
**phoenixrhymeschool@gmail.com**

HL-B/6513/8/11-6/12 (alt)